# ইন্দিয়ানা কন্না য়াদ্রবসু চিনা অমসুং পাকিস্তাননা পি ও কে ফাওদুনা চৎপা বস সার্ভিস হৌখ্রে

*নিউ দিল্লি, নবেম্বর ৬ঃ*

পাকিস্তানগী লাহোর অমসুং চিনাগী কাসগর অনীগী মরক্তা ঙরাং নুমিদাং অথেঙবদগী প্রাইভেট বস সার্ভিস অমা চেনবা হৌদোকখ্রে। অহানবা বস অদু লাহোরগী গুলবর্গ এরিয়াগী টরমিনেলদগী কাসগরগীদমক খোঙশানখি অমসুং মফম অদু য়ৌবদা পুং ৩০ রোম চঙগনি। অদুম ওইনমক বস সার্ভিস অদু ইন্দিয়ানা য়ান্না কন্না য়েৎলিবা পাকিস্টান–ওকুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে) গী গিলগিৎ – বালটিস্টান রিজন ফাওদুনা চৎকনি।



চিনা– পাকিস্টান ইকোনোমিক কোরিদর হায়না কৌবা অদুগী মখাদা পাকিস্টাননা খুদুম চনবা জম্মু এন্দ কাশ্মির ফাওদুনা চেনগদৌরিবা বস সার্ভিস অদুগী মতাংদা চিনা অমসুং পাকিস্টানদা ঐখোয়না অকনবা য়ানীংদবশিং থাঙ্গৎখ্রে হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই রবীশ কুমারনা হন্দক্তা ফোঙদোকখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী অৱাং–নোংপোক থংবা ষ্টেট–জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শরুক্নি হায়না ইন্দিয়ানা ফিরেপ লৌরিবা পি ও কে ফাওদুনা বস সার্ভিস অদু চেনবা মরম্না সি পি ই সি হায়রিবা প্রোজেক্ট অদুগী ময়োক্তা ইন্দিয়ানা কন্না য়েৎখিবনি।

বস সাভিস অসি নবেম্বর অহুমদগী হৌনবা থৌরাং তৌরম্বনি অদুবু সেক্যুরিটিগী মরমদগী মতম য়ৈথোক্লক্কখিবনি।

বস সার্ভিস অসি শিজিনগদবা পেসেঞ্জরশিংনা হগৎ–হন্দাগী খোঙচৎ অমগীদমক টিকেট অমদা পাকিস্টানি লূপা লিশিং ২৩ পীগনি অদুগা লাহোরদগী কাসগর ফাওবগী অমুক্কী খোঙচৎকী টিকেটকী মমল পেসেঞ্জর অমদা লূপা লিশিং ১৩ ওইগনি।

খোঙচৎ অসিদা পেসেঞ্জরশিংনা ট্রেভেল দোকুমেন্টশিং ওইনা ভেলিট পাসপোট অমা ভিসা অমসুং রিজন টিকেট অমা পুনবা খঙহনখ্রে। মীওই অমনা কেজি ২০ দগী হেন্দবা বেগ্গেজ পুবা য়াগনি।

ঙমখৈ অমতা তাইনদবা পাকিস্টান অমসুং চিনাগী মরক্তা চেল্লিবা বস সার্ভিস অসি পাকিস্টান ওকুপাই কাশ্মির ফাওদুনা শন্নহনবনি। মসি ইন্দিয়াগী সোভরেন্টি ময়েক শেঙনা অমসুং শাথিনা থুগাইবা অমনি।

১৯৬৩ গী চিনা –পাকিস্টান বাউন্দরি এগ্রীমেন্ট হায়বদু আইন্না য়াদবা, চৎনবা য়াদবা অমসুং ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা কৈদৌঙৈদা রিকগ্নাইজ তৌদবা অমনি হায়বসি ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টকী অচেৎপা অমসুং ফজনা খঙনরবা ফিরেপ অমনি হায়না ইন্দিয়াগী ফোরেন এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অসিনা হায়খি।

চিনা অমসুং পাকিস্টান অনীগী মরক্তা লোন্নবা ঙমখৈ অমত্তা লৈতে। চিনাদা শন্নরিবা পাকিস্টানগী অমতা ঙাইরবা লম্বীদি পাকিস্টান –ওকুপাই কাশ্মির ফাওরগনি। ঙমখৈ লোন্নরিবদি ইন্দিয়া অমসুং অফগানিস্টাননি অদুবু হৌজিক পি ও কে বু পাকিস্টাননা নমদুনা পায়শিনখিবদনগী অফগানিস্টাগী লোন্নবা ঙমখৈ অদু ককথৎখ্রে।

# ম্যান্মারগী রুলিং পার্টিনা বাই–ইলেক্সন সিট ১৩গী মনূংদা ৭ তা মায় পাকখ্রে

*য়াঙ্গোন, নবেম্বর ৭ঃ*

ম্যান্মার নেসনেল, রিজনেল অমসুং ষ্টেট পার্লিয়ামেন্টশিংদা সিট ১১৭১ গী মনূংদগী ১৩ মেনশিন্নবা পাংথোকপা বাই–ইলেক্সনশিংগী মপূং ফাবা অহৌবগী ফলশিংগী মতুংইন্না ওং সান সু চি না লূচিংবা লৈবাক অসিগী রুলিং পার্টিনা সিটশিং অদুগী তঙ্খাই অমা হেন্না ফংখ্রে।



সিট ১৩ অদু শিখিবা নৎত্রগা রিজাইন তৌখিবদগী হাংহৌখিবনি। সু চি গী নেসনেল লিগ ফোর দেমোক্রেসি (এন এল দি)না সিট ১৩ দুগী মনূংদা ৭ ফংখ্রে।

থাংজ নুমিৎতা পাংথোকখিবা মীখলশিংগী ফল অদুনা লৈবাকসিগী ময়োল্লমদা এন এল দিনা মখোয়বু শৌগৎপা অদু থম্না ঙল্লি হায়বা উংখ্রে। অতৈ সিটশিং অদু ইথনিক মায়নোরিটিশিংনা লৈবা ঙমখৈ লমদমনা অয়াম্বা ওইবা মফমশিংগী মহুৎ শিনবা পার্টিশিংনা ফংখি।

চহি দিকেদ কয়াগী মিলিটরি লৈঙাক লোয়শিনহন্নবগী পাক শন্না মীয়ান্না শৌগৎনরকখিবা ২০১৫ জেনরেল ইলেক্সনদা এন এল দি না চাওনা মায় পাকখিবনি। অদুবু মায়নোরিটি গ্রূপশিংনা গ্রেটর ওতোনোমিগী দিমান্দ অমসুং মখোয়গী টেরিটোরিশিংদা অকনবা আর্মিগী এক্টিভিটিশিং লেপহন্দবা দিমাদ অদু এন এল দি লূচিংবী সু চি গবর্ণমেন্টনা ফংহনবা ঙমদবদা পেন্দবা লৈখি।

সিট মশীং খরখক্কী ফলশিং অদুনা লৈবাকসিগী পোলিটিকেল অমসুং পৱারগী খলদা থোইনা শিংথানীংঙাই ওইদ্রবসু মদু ২০২০ দা পাংথোক্কদৌরিবা মথংগী জেনরেল ইলেক্স অদুগী মাঙওইননা চথরকপা ফিভমশিং ওইবা উনরি।

ইথনিক মায়নোরিটিশিংগী মহুৎশিনবা পার্টিশিংদা ভোটরশিংনা অমুকহন্না শৌগৎখিবা অদু হৌখিবা চহিগী অতোপ্পা বাই–ইলেক্সনশিং অমদসু উখ্রবনি। চহি অসিগী মীখলশিং অসিনা ভোটরশিং থোরকপা ৱাৎপদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবদু এন এল দিদা খঙহনবগুম তৌরি। য়াঙ্গোন রিজনেল পালিয়ামেন্ট সিট অমদা এন এল দি কেন্দিদেট অমা মায়থিবা ফংখিবনি।

য়াঙ্গোলগী মীখল অদু এন এল দিগী হেক মথঙদা লৈবাকসিগী মরুওইবা পোলিটিকেল গ্রূপ্পিং ওইরিবা য়ুনিয়ন লোলিদরিটি এন্দ দিভলপমেন্ট পাটিগী মীরেপ অমনা মায় পাকখি।

মিলিটরিনা শৌগৎপা পাটি অসিনা থাংজ নুমিৎকী বাই–পোলশিং অদুদা সিট ৩ দা মায় পাকখি। লৈবাক সিগী নোংচুপ থংবদা লালহৌবগী মথক্তা চথবা আর্মিগী অকনবা কেম্পেন অমদগী মুস্লিম রোহিঙ্গা মায়নোরিটিগী মীওই ৭০০,০০০ লানজেনহনখিবা ৱাথোক অদুনা বুধিজ মেজোরিটিদা সু চি বু শৌগৎপদা থোইনা অকাইবা পীবা ঙমদে। অদুম ওইনমক মহাক্কী শৌগৎপশিংগী মরক্তা নীংবা কাইনরিবদি ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট পুরকপা ৱাৎপসিনি হায়রি।

## বাইপোলদা কংগ্রেস মায়পাক্লে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৬ঃ*

চহি অসিগী অঙনবদা পাংথোকখিবা কর্নাতাকা এসেম্বিল মীখলদা কারকখিবা কংগ্রেস এম এল এ সিদ্দু ন্যামাগৌদা মীখলদুগী চয়োল খরগী তুংদা রোদ এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদবদগী হাংহৌবা সিট অদু মেনশিন্নবা পাংথোকখিবা বাই পোলদা লৈখিদ্রবা এম এল এ অদুগী মচানুপা কংগ্রেস মীরেপ আনন্দ সিদ্দু ন্যামাগৌদানা মায় পাকখ্রে।

কংগ্রেস মীরেপ অসিনা মহাক্কী লম্বা বি জে পিগী শ্রিকান্ট কুলকার্নি দগী ভোট ৩৯৪৮০ হেন্দুনা মায় পাকখি।

## দিফেন্স মিনিষ্টরনা অরুনাচলদা ট্রুপশিংগা দিৱালি পাংথোক্কনি



*ইতানগর, নবেম্বর ৬ঃ*

দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমননা অরুনাচল প্রদেসকী অপ্পর দিবাং ভেলি দিষ্ট্রিক্তা ট্রুপশিংগা লোয়ননা দিৱালি কুম্মৈ পাংথোক্কনি।

ঙরাং নুমিদাং ট্যুতরদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মহাক্কী খোঙচৎকী ৱাফম অদু ফোঙদোকখি। ঐখোয়গী লান্মীশিংগী ইমুং মনূংশিংগী পুন্না দিৱালি কুম্মৈ পাংথোকপগী চৎনবী অদু মখা তারদুনা দিফেন্স মিনিষ্টর সিতারমননা অসামগী দিমজান অমসুং অরুনাচল প্রদেসকী অন্দ্রা লা–ওমকার অমসুং আনিনিদা চহি অসিগী দিৱালি পাংথোক্কনি হায়খি।

খোঙচৎ অসিদা সিতারমনবু ইষ্টর্ন আর্মি কামান্দর অমসুং অতৈ সেনিয়ার ওফিসেলশিংগা লোয়নগনি। লমদম অদুদা আর্মিনা পায়খৎলিবা ইফ্রস্ট্রকচর ইমপ্রুবমেন্টশিং অমসুং দিফেন্সকী থৌরাং তৌরিবা ফিভমগী মতাংদা পাউদম অমা পীগনি হায়না ঙসি অয়ুক ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

দিফেন্স মিনিষ্টর সিতারমননা নোংথক্তগী লমদম অসিবু য়েঙশিনগনি অমসুং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অন্দ্রা লা–ওমকার অমসুং আনিনিদা ট্রুপশিংগা উন্নগনি মহাক্না লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী ইমুং মনূংশিং উন্ননবসু থৌরাং তৌরি।

## হিজবুল য়াওখিবা লান্মী য়াওনা অনী শিরে

*শ্রিনগর, নবেম্বর ৬ঃ*

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সোপিয়ান্দা ঙসি সেক্যুরিটি ফোসশিংগা খূৎ থোক্লবা অমদা হিজবুল মুজাহিদ্দিন য়াওখিবা আর্মিগী লান্মী অমা য়াওনা টেরোরিষ্ট অনী শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ান আর্মি থাদোক্তুনা হিজবুল মুজাহিদ্দিন মিলিটেন্ট গ্রূপদা য়াওখিবা লান্মী অদু মশাগী চহি ৩০ রোম শুরবা সোপিয়ান্দা লৈবা ইদ্রীস সুলতান কৌই। মহাক চহি অসিগী এপ্রিলদা টেরোরিষ্ট গ্রূপ অদুদা য়াওখিবনি। শিরবা অতোপ্পা টেরোরিষ্ট অদু অমির হুসেন রাথের কৌই, মহাকসু সোপিয়ান্দগীনী।

## দিৱালি মাঙওইননা ইন্দিয়া–চিনাগী আর্মিশিংনা লদাখতা উন্নখ্রে



*শ্রীনগর, নবেম্বর ৬ঃ*

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী নোংপোক থংবা লদাখ রিজনদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়া অমসুং চাইনিজ আর্মিনা বোর্দর পার্সোনেল্ল মিটিং অমা পাংথোকখ্রে হায়না দিফেন্স লিখুলশিংনা হায়রি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাংলোই কর্নেল রাজেস কালিয়া না হায়খি, নোংপোক থংবা লদাখকী চুসুল–মোলদো অমসুং দৌলাট বেগ ওলদিদা ইন্দিয়ান বি পি এম হটসতা দিৱালিগী থৌরমদা সেরিমোনিয়েল বোর্দর পার্সোন্নেলগী মীফম অদু পাংথোকখি।

মফম অদুদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়ান দিলিগেসন অদু ব্রিগেদিয়ার ভি কে পুরোহিত অমসুং কর্নেল এস এস লম্বানা লূচিংখি অদুগা চাইনিজ দিলিগেসন অদু মখোয়গী সেনিয়ার কর্নেল য়িন হোং চেন অমসুং করনেল সোং ঝাং লি না লূচিংখি হায়না কর্নেল কলিয়ানা হায়খি।

মীফম অদুদা দিলিগেসন লিদর অনীমক্না দিৱালিগী হৌনবী লেম্পশিং থাঙ্গৎখি। মদুগী মতুংদা মখোয়না থৌরমগী ওইবা ৱারোলশিং পিখি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোইশিংনা হায়খি।

লাইন ওফ এক্চুয়েল কন্ট্রোল (এল এ সি)দা নাকল অনীমক্না শান্তি, তংদু–লৈতঠবা অমসুং অমগা–অমগগী মরক্তা ৱাখল তান্নবা লৈনবগী মরুওইবা পনখি। ইন্দিয়াগী ফজরবা নাৎ উৎপা নাৎকী থৌরম অমসু হরাও–তয়াম্বগা লোয়ননা পাংথোকখি হায়রি।

## মিজোরামদা পোল পেনেলগী মথক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

*আইজোল, নবেম্বর ৬ঃ*

চৎলিবা থা অসিগী ২৮দা এসেম্বিল মীখল পাংথোক্কদৌরি মিজোরামদা মীখলগী থবক্তা খূৎ থিংজিলকপগী মরালদা ষ্টেট হোম সেক্রেটরী লালনুনমাৱিয়া চুৱাংঙো বু চীফ ইলেকটোরেল ওফিসার এস বি সসঙ্করনা মফম লৌথোকখিবগী মতাংদা পোল পেনেলগী মথক্তা মীওই লিশিং কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে, স্কুলশিং অমসুং দুকানশিং থোঙ লোনখ্রে।

ষ্টেট অসিগী মামিট তাওদসু মপূং ফানা বন্দ তৌখ্রে। গবর্ণমেন্ট ইমপ্লোই কয়ামরুমসু প্রোটেষ্ট য়াওদুনা লম্বী–লমজাওদা থোকললকখ্রে। অতৈ দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরষ্ট ৫ রোমদসু প্রোটেষ্ট চত্থখি।

মিজোরামগী য়ান্না শক্তি লৈরবা য়ং মিজো এসোসিয়েসন (ৱাই এম এ) হায়রিবা চর্চনসু শৌগৎলিবা লূপ অসিনা ষ্টেট হোম সেক্রেটরী অদু ট্রান্সফর তৌবা য়ানীংখিদে অমসুং চীফ ইলেকটোরেল ওফিসার অদু লৌথোকপা পামখি।

ষ্টেট অসিদা মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি ওইরিবা কংগ্রেস অমসুং বি জে পিনসু প্রোটেষ্টরশিং অদুবু শৌগৎলি। ষ্টেট অসিদা শক্তি পায়রিবা কংগ্রেসপুসু মীখল ময়া অসিদা ভোটরশিংবু নুংঙাইহন্দবা পামদে। অমরোমদা বি জে পিনসু নবেম্বর মীখল অসিদা মিজোরামদা মখোয়গী খোঙদাফম ফংনবা হোৎনরি।

## রাহুল গান্ধীনা ২০১৯ এলায়েন্স অদু লূচিংগদবনিঃ কুমারাস্বামি

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৬ঃ*



করনাতকাদা পাংথোকখিবা মরক্কী মীখলশিংদা ষ্টেটকী লৈঙাক পায়রিবা এলায়েন্সনা মায় পাকখ্রে। মসিনা মথং চহিগী নেসনেল ইলেক্সনদা বি জে পি মায়থিবা পীনবা অপূনবা ওপোজিসন অমা শেন্নবগী কাংলোন অদু চেৎশিনহনখ্রে।

সেন্টরদা মথংগী গবর্ণমেন্ট অদু শেন্নবা এলায়েন্স অসিনা অচৌবা খোঙথাং অমা মায় পাকপা হৌরে অমসুং এলায়েন্স অদু রাহুল গান্ধীনা লূচিংগদবনি হায়না হৌখিবা মে থাদা মহাক মশাগী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা অহানবা অচৌবা ওপোজিসনগী মীফম অমা য়ূম্বু ওইখিবা করনাতকা চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারাস্বামিনা ফোঙদোকখ্রে।

সিট ৫ মরক্কী মীখল পাংথোকখিবা অদুগী ঙসি ফল লাওথোকখিবদা কংগ্রেস–জনতা দল সেক্যুলর এলায়েন্সনা সিট ৫ দুগী মনূংদা ৪ ফঙখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী তৌবাঙম্বা অদু করিনো হায়বদু মীয়ান্না উখ্রবা করনাতকাদা মহাক্না মায় পাক্লবগী মরম অমা নৎতে হায়না কুমারাস্বামিনা হায়খি। ঐগী এনালাইসিস মতুংইন্না মসি ২০১৯ দা মহাগথবন্ধন সরকার (গ্রান্দ এলায়েন্স গবর্ণমেন্ট) অমগী ৱাখল অদুননি হায়না মহাক্কী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা ওপোজিসন লূচিংবশিংবু পুন্না য়াওহনখিবা ঙম্বা চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

## ইন্দিয়ান ট্রান্সপোর্টনা রোপৱেজ, কেবল কার মথৌ তাইঃ নিতিন গাদকারি




*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৬ঃ*

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর, রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ নিতিন গাদকারিনা লৈবাকসিগী ট্রান্সপোর্ট সেক্তর চাওখৎহন্নবগীদমক তুংগী মীৎয়েঙ থম্বা টেক্নোলোজি মথৌ তারি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পেসেঞ্জর রোপৱে প্রোজেক্টশিংগী নোলূসনশিং পীনবগীদমক দবলিয়ু এ পি সি ও এস অমসুং দোপলমেয়রগা এম ও য়ু সহি তৌনবদা ৱা ঙাংলদুনা মিনিষ্টর গাদকারিনা পোলূসন থোকহন্দবা অমসুং মমল চংহন্দবা মখলগী ট্রান্সপোর্ট শেমগৎনবা ৱাফম চেৎনা পনখি। রোপৱেজ, কেবল কারস অমসুং ফ্যুনিকুলরস রেলৱেজ কুম্বগী ট্রান্সপোর্টকী মওংশিং অসি সিটি অনী লোন্নবা মফমশিংগী য়ান্না কান্নগনি হায়খি। দবলিয়ু এ পি সি ও এস অসি মালেমগী লৈবাক ৪৫ হেনবদা প্রোজেকশিং পায়বা ঙম্নবা ইন্দিয়ান গবর্ণমেন্টকী ইঞ্জিনিয়ারি কন্সলটেন্সি ওর্গনাইজেসন অমনি অদুগা দোপ্পল মেয়ার, অসট্রিয়াসু মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা রোপৱে মেন্যুফেক্চররনি।

## ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস)কী নুমিৎ লোইশিল্লকখিবগা ‘হেভনলি পেলেস’না চিনাগী অনৌবা স্পেস ষ্টেসন ওইরগনি



*ঝুহাই, নবেম্বর ৭ঃ*

চিনানা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী ওরবিটিং লেবোরেটরিগী মহুৎ শিলহৌরগদবা মখোয়গী অহানবা পরমিন্টে ক্রু লৈবা স্পেস ষ্টেসন অমগী রেপ্লিকা অমা মায়খুম হাংদোকখ্রে। মসি পৃথিবীগী ৱাংবদা লৈবাক অসিগী অচৌবা অশা অদুগী খুদম উৎপনি।

খা থংবা সমুদ্র তোর্ব্বানগী সিটি ঝুহাইদা চিনাগী মরূওইবা এরোস্পেস ইন্দষ্ট্রি একজিবিসন এয়ারসো দা মিতর ১৭ কী কোর মোদুল অদু মীয়াম হুপ্পুনা য়েঙনফম অমা ওইখি। মপান্দা, চিনগী জে–১০ ফাইটর জেৎ অমসুং জে –২০ ষ্টিল্ঠ ফাইটরনা ঝুহাইগী অতিয়াদা পায়রকপদা য়েঙলিবশিং নুংঙাইহনখি। অদুগা নাকনদা লৈবাক অসিনা মখোয়গী দ্রোনশিংগী ফ্লীট অমসুং অতৈ মিলিটরি হার্দৱেয়ার উৎতুনা থম্লি।

টিয়াংগোঙ নৎত্রগা হেবনলি পেলেসকী লিভিং অমসুং ৱার্কিং ক্বার্টরশিংগী মহুৎশিনবা সিলিন্দ্রিকেল স্পেস ষ্টেসন মোদুল অদুগী অকোইবদা মীয়াম্না য়োমশিন্দুনা য়েঙখি। সাইন্টিফিক এক্সপরিয়েন্সশিংগীদমক সোল্লর পেনেলশিং পানবা অতোপ্পা মোদুল অনী অমসু হেভনলি পেলেস অদুদা লৈগনি।

টৌন ৬০ গী ওরবিটিং লেব অদুদা পরমিনেন্ট ওইনা এষ্ট্রোনোট অহুম থমগনি। মখোয়না বাইওলোজিকেল অমসুং মায়ক্রো গ্রেবিটি রিছার্স চত্থগনি। স্পেটস ষ্টেসন ‘হেবনলি বেলেস’ অদু পানখৎপগী থবক ২০২০ অদুৱাইদা মপূং ফারবা য়াই অমসুং মসিগী মপূন্সি চহি ১০ রোম ওইগনি।

হৌজিক হৌজিক ওরবিৎতা কোয়না পায়দুনা লৈরিবা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস) অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, রসিয়া, কানাদা য়ুরোপ অমসুং জপানগী মরক্তা কোলাবোরেসন তৌরগা পায়খৎপা থবক অমনি। মসি ১৯৮৮তগী হৌনা থবক চথবা হৌখি অমসুং ২০২৪ দা থবক চথবা লেপকদৌরিবনি। মতম অদুদগীদি চিনানা ওরবিতা অমত্তা ঙাইরবা স্পেস ষ্টেসন অদু লৈরগনি। অদুবু মসি টৌন ৪০০ লূম্বা, ফুটবোল গ্রাউন অমমুক চাওবা আই এস এস তগীদি য়াম্না হেন্না পীকই হায়রি।

## য়ু এস সেঙ্কসন্সতগী ইরান ন্যুক্লিয়ার সাইট ৩ কোমথোকহনখ্রে

*ৱাসিংটন, নবেম্বর ৭ঃ*

য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার সাইট ৩ সেঙ্কসন্সতগী কোমথোকখ্রে অদুবু মখোয় অদু অকনবা স্ক্রুটিনি মখাদা লৈগনি হায়না ৱানীং তৌখ্রে হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়খ্রে।

য়ু এস সেঙ্কসন্সতগী কোমথোকপা ফংলবা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার সাইট ৩ অদুদি – ময়াইথংবা ইরানগী অরাক, খা থংবগী বুসেহর অমসুং মিলিটরি এটেকতগী ঙাকথোক্লবা লৈনূংদা শাবা কুম সিটি মনাক্কী ফোরদো হায়বা অসিনি। ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাওথোকখিবা খোঙথাং অদু মতম খরগী মরক্কী ওইবা খোঙথাংনি অমসুং মনূং মপান ফাওনা শোয়দনা উনবা খ্বাইদগী চেৎপা স্ক্রুটিনি মখাদা নন–প্রোলিফরেসন প্রোজেক ৩ অদুগী থবক মখা চত্থবা খক য়াহনগনি অমসুং ইরানগী মথক্তা অথিংবশিং অদুম লৈগনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়খি।

টেহরান অমসুং রসিয়া, চিনা, য়ু কে, ফ্রান্স, জর্মনি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা জুলাই ২০১৫ দা ন্যুক্লিয়ার এগ্রিমেন্ট সহি তৌনখিবা অদুগী মতুংদা য়ু এসনা এগ্রিমেন্ট অদুদগী তোকখ্রবা তুংদা ইরানগী মথক্তা য়ু এস না ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা হৌজিক ফাওবগী মনূংদা খ্বাইদগী কনবা সেঙ্কসন্স থমজিনখিবনি।

## মেক্সিকোগী মাস গ্রেভতা হকচাং ৪০০–৫০০ লৈরম্বা য়ারি

*ভেরাক্রুজ, নবেম্বর ৭ঃ*

হৌখিবা চহি খরদা মীয়াম মফমশিংদা অশিবা হকচাং চা কয়া ফঙখিবা ভেরাক্রুজ কৌবা হীংশা থোকপা ষ্টেট অদুদা অনৌবা মীয়াম ফুমফম মোঙফম অমদা মেক্সিকোগী ওথোরিটিজনা অশিবা হকচাংশিং লৈব্রা হায়না ঙরাং য়েঙশিনবা হৌখ্রে।

মাংখিবা মচাশিং থিরিবা মমাশিংগী গ্রূপ – সেলেক্টিও কলেক্টিবনা মফম অদুদা হকচাং ৪০০ দগী ৫০০ ফাওব লৈরম্না য়াবগী পাও ফংলে। মদু দেথ কেম্প অমা নৎত্রগা মদুদগী হেন্না শাথিরবা অমা ওইরগনি। মফম অদু হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৯৬ কি ফংখিবা মোঙফম অমদগী কিমি ৫ রোম লাপ্পি।

মেক্সিকোগী খ্বাইদগী চাউবা হিথাংফমশিংগী মনূংদা অমা ওইরিবা ভেরাক্রুজ অসি জালিস্কো নিউ জেনরেসন কৌবা দ্রগ কার্টেলকা লোস জেতাস কৌবা দ্রগ কার্টেলকা শাথিনা হাৎনখিবা মফমনি। শক্তি লৈরবা দ্রগ কার্টেলশিংগী হীংশাদা হৌখিবা চহিদা মেক্সিকোদা মীওই ২৮,৭৭১ শিখি। ২০০৬ তাগী হৌজিক ফাওবদা দ্রগ ট্রাফিকিং থেঙননবা আর্মি থাজনবদা মীওই লাক্ষ ২ হেন্না শিখ্রে। অতোপ্পা লিশিং ৩০ থিবা খঙখিদ্রে হায়রি।

### সনা–সুদোকু –১৩২৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 4 | 8 | 1 | 9 | 6 | 5 | 3 | 2 |
| 5 | 6 | 2 | 3 | 4 | 7 | 8 | 9 | 1 |
| 9 | 3 | 1 | 2 | 8 | 5 | 7 | 6 | 4 |
| 6 | 2 | 3 | 7 | 5 | 1 | 4 | 8 | 9 |
| 1 | 9 | 5 | 8 | 6 | 4 | 3 | 2 | 7 |
| 8 | 7 | 4 | 9 | 2 | 3 | 1 | 5 | 6 |
| 4 | 8 | 6 | 5 | 7 | 9 | 2 | 1 | 3 |
| 2 | 1 | 9 | 4 | 3 | 8 | 6 | 7 | 5 |
| 3 | 5 | 7 | 6 | 1 | 2 | 9 | 4 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1328**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | 8 | 7 | | 4 | |
| 9 | | | | 5 | | 7 | | 6 |
| 2 | 7 | | | | 4 | | 3 | |
| | 2 | 6 | | | 5 | 4 | | |
| | 8 | 9 | 4 | | | | | 5 |
| 4 | | | 3 | 7 | | 8 | | |
| | | 4 | 7 | 6 | | | 5 | |
| | | 7 | | | 8 | 6 | | 4 |
| | 5 | | 9 | | | | 8 | 7 |

## GAS TODAY

**Athokpam Indane Gas**
Booking upto : 31/08/18
Valid from : 09/08/18
Stk : CTC 612
Time : 07.30 a.m. to 10.00 a.m.

**Ashangbi Sugunu**
Booking upto : 02/08/18
Valid from : 31/07/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**G.B.D. Lamlong Gas**
Booking upto : 24/08/18
Valid from : 04/08/18
Stk : CTC 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Hrangchal Gas**
Booking upto : 29/08/18
Valid from : 25/08/18
Stk : 306

**Imphal L.P.G. Gas**
19 kg Available
5kg Available

**J Rongmei Gas**
Booking upto : 02/09/18
Valid from : 29/08/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Misao Gas**
Booking upto : 14/09/18
Valid from : 02/08/18
Stk : 306, 19kg 50
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia Gas (Moirang)**
Booking upto : 21/08/18
Valid from : 17/08/18
Sl. No. : 5018 to 5570
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**M. M. Gas**
Booking upto : 18/08/18
Valid from : 08/08/18
Stk. : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking upto : 13/08/18
Valid from : 04/08/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**T. D. K. Sekmai**
Booking upto : 23/08/18
Valid from : 18/08/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking upto : 26/08/18
Valid from : 23/08/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m